# অচৌবা পাৱরশিংনা য়াদ্রবসু লৈবাক ৫০ না যু এন ন্যুক্লিয়র বেন ট্রীটিদা সাইন তৌখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্টেম্বর ২১ :

লৈবাক ৫১ না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং থীংনবগী ট্রীটি অমা সাইন তৌখ্রে। মালেমগী ন্যুক্লিয়র পাৱরশিংনা পামদবা পেক্ট অদুবু সপোর্টরশিংনা পুৱারীগা শাগোন্নরমগদবা এগ্রীমেন্ট অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

মোরেল লীদরসিপকী তঙাইফদবা লৈরবা মালেম অসিদা নখোয় ঙসিদি অসিগুম্বা মোরেল লীদরসিপ উৎলিবা লৈবাকশিংনি হায়না ট্রীটি অদুবু সাইন তৌবগী থৌরম হৌবদা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই মুথৎনবগী ইন্টরনেস্নেল কেম্পেইনগী ইগজেক্যুটিভ ডিরেক্টর বিএট্রিস ফিননা ফোঙদোকখি।

নুমিৎতুগী অথেংবা ফাওবদা ইন্দোনেসিয়া অমসুং আইরলেন্দগুম্বা অমগা অমগা খেন্নবা কয়া লৈবা ষ্টেট ৫০ না ট্রীটি অদুদা মখোয়গী মমিংশিং ইনখি। করিগুম্বা অপাম্বা লৈরবদি অতৈ লৈবাকশিংনসু ট্রীটি অদুদা কোন্না সাইন তৌবা য়াগনি হায়রি।

গাইয়ানা, থাইলেন্দ অমসুং ভটিকানদি ট্রীটি অসি হান্ননা রেটিফাইদ তৌখ্রবনি। ট্রীটি অসি মসিবু শৌগৎনরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা লো ওইনা চৎনহন্নবগীদমক্তা রেটিফিকেসন ৫০ চঙগনি। ট্রীটি অসি চৎনরবা মতমদা লৈবাকশিং অসি ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং চাংয়েং তৌবা, শাবা, ফংনবা হোৎনবা, পায়বা নৎত্রগা পৈশিনবা ফিভম নৎত্রগা মতম অমদা হেক্তা য়াররোই হায়রি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাউ মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা জপানদা এটোমিক বোম অনী থাদখিবদগী ঙসি মালেমদা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই ১৫,০০০ দমকশীজিন্নবা য়াহনগনি হায়না থাজনরি।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিংগা মরী লৈননা টেন্সন হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা যু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কোল্ড ৱার লোইশিনখিবদগী হৌজিক ন্যুক্লিয়র এটেক অমা পাঙথোরকপা য়াবগী অকিবা অসি খ্বাইদগী ৱাংবা থাক য়ৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

মসিগী ট্রীটি অসি মালেমবু ন্যুক্লিয়র খুৎলাই লৈতবা মফম অমা ওইহনবা হায়বা মালেম পূম্বনা য়ানরবা পান্দম অসি ফংনবগী মায়কৈদা থাংজিল্লকপা মরুওইবা ষ্টেপ অমনি হায়না মহাক্না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখি। পেক্ট অসিবু শৌগৎপশিংনা হায়রি মদুদি হৌজিক অসি চহী ৫০ রোম শুরবা ন্যুক্লিয়র নন-প্রোলিফরেসন ট্রীটিগী খুত্থাংদা লৈবাকশিংনা হোৎনখিবদুদগী হেন্না মালেমদগী এটোমিক খুৎলাইশিং মাঙহন্নবা হোৎনবগী মতমনি।

ন্যুক্লিয়র খুৎলাই লৈরবা লৈবাকশিং অমসুং মখোয়গী মীচংশিংগী অপাম্বগী মায়োক্তা হৌখিবা জুলাই থাদা লৈবাক ১২০ হেনবনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই থীংনবগী অনৌবা ট্রীটি অসি এপ্রুভ তৌখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ব্রজিলনা অহানবা ওইনা ট্রীটি অদুদা সাইন তৌখি অলজিরিয়া অমসুং ভেনিজ্যুএলা য়াওনা অতৈ লৈবাকশিংনা মতুং ইনখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা টেন্সন লৈরিঙৈদা ট্রম্প অমসুং মূন ন্যু য়োর্কতা উনরগনি





ন্যু য়োর্ক/ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী) :

যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং উনগী মায়োক্তা ফোঙদোকখিবা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতাশিংনা শেরান্নবা ফিভম অমা লাকহনগদৌরিব্রা হায়বগী মতাংদা টেন্সন লৈরিঙৈদা ট্রম্পনা শগোলশেন নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র ক্রাইসিসকী মতাংদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে-ইনগা ৱারী শানরগনি।

যু এন জেনরেল এসেমব্লিদা ট্রম্পনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পীখিবা স্পীচনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই লৈরবা নোর্থ কোরিয়াবু মপূং ফানা মাঙহন-তাকহনগনি হায়না কিহনখিবা অমসুং কিমবু সুইসাইদ মিসনদা লৈবা 'রোকেট মেন' অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা যু এসকী ওফিসলশিংনা হৌজিক্তি ডিপ্লোমেটিক ওপসনশিং লৈরি হায়বা উৎনবা হোৎনখি।

ট্রম্পকী ন্যু য়োর্ক খোঙচৎকী মরিনি চনবা শগোলশেনগী নুমিৎয়ুংবা মতমদা মহাক্না সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূনগা ফম্মিন্নগনি। ন্যু য়োর্কতা যু এনগী জেনরেল এসেমব্লি সেসনগা মরী লৈননা লৈরিঙৈদা ট্রম্পনা মীরৈবাক্কী লীদর কয়াগা উনখি।

ট্রম্পনা অহানবদা মূনগা উনগনি অমসুং মদুগী মতুংদা মূন অমসুং জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেগা লঞ্চ লৌখৎমিন্নগনি। মতুংদা মহাক্না অবেগা তোঙান্না উনগনি।

লৈবাক ময়াম মমাঙদা সাউথ কোরিয়ন গভর্নমেন্টনা ট্রম্পকী স্পীচ অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র চেলেঞ্জ অদু কয়াম লুনা লৌবগে হায়বদু উৎলিবনি হায়না ফোঙদোকখি।


ঐখোয়না স্পীচ অদু পীছ অমসুং সেফটিগা মরী লৈনবা ইন্টরনেস্নেল কম্যুনিটি অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হৌজিক মায়োক্লরিবা মরুওইবা ইস্যূশিংগী মতাংদা লৌরকপা অচেৎপা ফিরেপ অমনি হায়না লৌই হায়না সিওলদা মূনগী ওফিসনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং রোইটর্জনা ইন্টরভিয়ু তৌখিবা সাউথ কোরিয়াগী ডিপ্লোমেট অনীনা ট্রম্পকী অকনবা ৱাহৈশিংদুনা শেরান্নবা মওংদা কিমবু কাইহৌবা ওইনা থোক্তুনা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র এটেক অমা চথুরক্কদৌরিব্রা হায়বগী অকিবা উৎখি। গভর্নমেন্ট অনীগী মরক্তা চপ মান্ননা ৱাখল তামিন্নবগী মওংসু উদে হায়না ডিপ্লোমেট অনীদুনা ফোঙদোকখি। মখোয়গী মতুংইন্না সাউথ কোরিয়াগী ওইনদি কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা অতোপ্পা লান অমা অমুক থোকহনবা পামদে।

সাউথ কোরিয়াগী ডিপ্লোমেটশিংনা ট্রম্পকী স্পীচকী মতাংদা অকিবা পোক্লবসু যু এসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং মমাঙদা যু এসকী এদমিনিষ্ট্রেসননা য়ারিমখৈ তপ্ন-ইংনা হোৎনবগী লম্বীদা চঙশিনখিবা মতমদা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র অমসুং বলিষ্টিক মিসাইলশিং শাবা থীংবা ঙমখিদে হায়খি।

যু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসননা য়ুমশকৈশাগী নুমিদাং অথেংবদা ফোঙদোকখিবা অমদা যু এসনা লূচিংদুনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অথীংবা কয়া থমখিবগী মহয় ওইনা হৌজিক নোর্থ ফ্যুএল ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরক্লে হায়খি।

# ড্রগকা মরী লৈননা শীরিবা মরাল চুম্লম্লবদি ইচানুপাসু হাৎকনি : রোদ্রিগো ড্যুটর্টে



ফিলিপিন্স, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী) :

ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো ড্যুটর্টেনা হায়খ্রে মদুদি করিগুম্বা মহাক্কী মচানুপাগী মায়োক্তা শীরিবা ড্রগ ট্রাফিক্কিংগী মরালশিং চুম্লম্বা থোক্লবদি মহাকপুসু হাৎকনি অমসুং হিট অদু পাঙথোক্লিবা পুলিসতুগী মায়োক্তা প্রোসিক্যুসন অমৎতা মহাক্না চৎথহল্লোই।

পাউলো ড্যুটর্টে কৌবা পোলি-টিসিয়ন অমা ওইরবা চহী ৪১ শুরবা মহাক্কী মচানুপা অদুনা হন্দক্তা সিনেট ইনক্বাইরি অমগী মমাঙদা ৱা ঙাঙখিবদা ওপোজিসন লোমেকর অমনা মঙোন্দা শীখিবা মরাল কয়া য়াখিদে। ওপোজিসন লোমেকর অদুনা মহাক চাইনাদগী য়াম্লবা ক্রিষ্টেল মেথমফিটামিন লোন্না পুশিল্লকখিবদা মতেং পাংখিবা অরোনবা চাইনিজ ওর্গনাইজেসন (ট্রাইঅদ) অমগী মেম্বর অমনি হায়না মরাল শিখিবনি।

প্রসিদেন্ট ড্যুটর্টেনা ওপোজিসননা শীরক্লিবা মরাল অদুদা অতম্লনা মীৎয়েং থম্লগা ঙাঙখিদে তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মচা অমৎতা ড্রগকী কেসতা চেন্নদে হায়বা মহাক্না মমাঙ চহীগী ইলেক্সন কেম্পেইনদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম নৌহৌননা পনখি। তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা চেন্নরম্বা থোক্লবদি মখোয়সু খ্বাইদগী কনবা চৈরাক ফংগনি হায়খি।

মনিলাদা য়ুমশকৈশগী অহিংদা প্রসিদেন্সিয়ল পেলেসতা গভর্নমেন্ট ৱার্করশিংগী মমাঙদা ৱা ঙাঙবদা ড্যুটর্টেনা হায়খি, 'করিগুম্বা ঐহাক্কীসু ড্রগকা মরী লৈনবা অঙাংশিং লৈবা তারবদি, মীনা ৱা অমৎতা ঙাংনদনবা মখোয়বুসু হাৎলু হায়বসি ঐহাক্না লৈবাক্কী ওইবা ওর্দর থোক্লিঙৈগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱাহৈশিংনি।

'মরম অদুনা ঐহাক্না পুলোংদা (পাওলোগী নিকনেম) করিগুম্বা নহাকপু ফাবা তারবদি ঐহাক্কী ওর্দররদি নহাকপু হাৎনবগী ওইগনি হায়না খঙহনখি। করিগুম্বা মদু অচুম্বা ওইরবদি নহাকপু হাৎলিবা পুলিসতুসু ঐহাক্না কনগনি' হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। লো এন্দ ওর্দরগী শাথীবা প্লেটফোর্ম অমদা প্রসিদেন্টকী মীখলদা মায় পাকখিবা মশাগী চহী ৭২ শুরবা ড্যুটর্টেনা ইলেক্সন কেম্পেইন মনুংদুদা মীখলদা মায় পাক্তুনা মহাক্না লৈঙাক্কী পাৱর পায়রকপা মতমদা ড্রগ ট্রাফিক্কর অমসুং এদিক্ট ১০০,০০০ ফাওবা হাৎতুনা সোসাইটিদা ইলিগল ড্রগশিং লৈহল্লোই হায়না ৱাশকখি।

হৌখিবা চহীগী ময়াই থংবা মতমদা মহাক্না ওফিস পায়বা হৌখিবদগী ড্রগকী মায়োক্তা চঙশিনখিবা লাঞ্জংদা মীওই ৩,৮০০ হেন্না হাৎখ্রে অমসুং অতৈ মীওই লীশিং কয়ানা চপ চানা হায়ফম খঙদবা ফিভম অমসুং তাঞ্জাশিংদা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট ওইনা ড্যুটর্টেনা মহাক ড্রগতা লাইচুরবা মীওই মিলিয়ন অহুম হাৎতোকপদা য়াম্না নুংঙাইবা পোক্কনি হায়খি অমসুং ড্রগকী লানদুদা নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবা অঙাংশিংবু অতম্লনা হাৎপা নৎত্রবসু অচৌবা লাঞ্জং অদুদা লাইবক থীবদগী শিখিবশিংনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না পুলিসতা ইলিগল ওইবা অমৎতা তৌদনবা অকনবা ইনষ্ট্রক্সন পীখি অমসুং মখোয়না শুপ্নগী মশা ঙাকথোকচনবা তৌবদা মী হাৎকদবনি হায়না চেৎনা খঙহনখি হায়বা ৱাফমসু হঞ্জিন হঞ্জিন্না পনখি।

# 'নোর্থ কোরিয়াগা ডাইলোগ চথনবগী মতম লৈত্রে'



য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী) :

নোর্থ কোরিয়াগা ডাইলোগ চথনবগী মতম লোইখ্রে হায়না জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে অমসুং ওপসন খূদিংমক খন্নগনি হায়বা যু এসকী চেকশিন-ৱারোল অদুবু মহাক্না শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

যু এন জেনরেল এসেমব্লিদা ৱা ঙাংলদুনা অবেনা হায়খি, হন্দক চয়োল খরখক অসিদা তরুকশুবা ন্যুক্লিয়র বোম পোকখায়হনখিবা অমসুং জপান লাননা নৎত্রগা জপানগী মনাক নক্না পরিং নাইনা মিসাইলশিং কাপখিবা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবগী মতম ইরৈ লৈত্রে।

করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা এটেক তৌরক্লবদি লৈবাক অসিবু মপূং ফানা মাঙহন-তাকহনগনি হায়না যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কিহনখিবা মতুং নোংমা লৈরগা অবেনা হায়খি, 'ওপসন খূদিংমক খন্ননবা টেবলদা লৈরে হায়বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফিরেপ অসি ঐখোয়নসু শৌগৎলি।'

অবেনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াগা য়ানবগী ফিভম অমা পুরক্লবা মালেমনা অখাকপা লৈতনা হোৎনখ্রে। মদু যু এসনা শৌগৎখিবা কুমজা ১৯৯৪ দা য়ানখিবা ফ্রেমৱার্কতগী হৌখি। ফ্রেমৱার্ক অসি চহী ১০ লৈরগা চৎনখিদ্রে।

ডাইলোগকী খুত্থাংদা ইসূশিং লৈখাই তানবা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না হোৎনখিবা খূদিংমক অরেম্বা তাখ্রে। হৌজিক অমুক ঐখোয়না করম্বা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা য়াবা ৱাখলদা চপ মান্নবা থৌদৌবু অহুম্লকশুবা ওইনা অমুক হনগদৌরিবনো? অদুনা হৌজিক তৌগদবদি ডাইলোগ নৎতে, প্রেসর পীবনি হায়না অবেনা হায়খি।

যু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা যু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙবদা 'ওপসন খূদিংমক খন্ননবা লৈরে' হায়বা ৱাফমসি নৌহৌননা পনখি।

# দোনাল্ড ট্রম্পকী কিহনবগী ৱাঙাঙ হূইনা খোংবগা মান্নে : নোর্থ কোরিয়া



পিয়োংয়াং/ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী) :

যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা যু এন জেনরেল এসেমব্লিগী সেসনদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্কী লৈবাকপু মপূং ফানা মাঙহন-তাকহনগনি হায়না অকনবা মওংদা কিহনখিবদু 'হূইনা খোংবগা মান্নে' হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ফোরন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অদুগুম্বা ৱাহৈ-ৱাতাশিংনা কিহনবদা পিয়োংয়াংনা নিংহন্নগদবা নৎতে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রে।

ট্রম্পনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী জেনরেল এসেমব্লিদা অহানবা ওইনা ৱা ঙাঙখিবদা নোর্থ কোরিয়াবু ৱার্নিং তৌরদুনা করিগুম্বা যু এস অমসুং মীচংশিংদা এটেক তৌরক্লবদি ৱাশিংটননা লৈবাক অসিবু পূমথু থুগায়দুনা মাঙহনগনি হায়খি।

লান পাম্বগী মতৌ উৎপা ট্রম্পকী স্পীচ অদু পিয়োংয়াংগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম খুমাঙ চাওশিনবদগী থা কয়া টেন্সন ৱাংখৎলকখিবা মতুংদা লাকপনি। মালেমগী অকনবা অথীংবা কয়াবু থৌশাদবীদা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী তরুকশুবা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবদা নৎতনা জপান লান্না মিসাইল কয়াসু কাপখি।

যু এনগী মীটিংশিংদা শরুক য়ানবগীদমক্তা ন্যু য়োর্কতা থুংখিবা নোর্থ কোরিয়াগী ফোরন মিনিষ্টর রি য়োংহোদা পাউমীশিংনা ট্রম্পকী স্পীচতুগী মতাংদা ৱাহং কয়া হংখি। পাউমীশিংনা হংলিবা ৱাহংশিংদুগী পাউখুম ওইনা রি য়োংহোনা হূই ময়াম্না খোংলবসু লাম্মীশিংগী মার্চিংদি লেপ্তে হায়নবা অমা লৈ হায়না ফোঙদোকখি। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মহাক্কী হোটেলদা চঙখি। 'করিগুম্বা মখোয়না ঐখোয়বু হূইগী খুখোং অমগা লোয়ননা কিহন খঙহন্নবা হোৎনবা ওইরবদি তশেংনমক মখোয় হূইগী মঙলান লৈরে হায়না লৌবা য়াররনি।'

মালেমদগী তোঙান তারবা অমসুং শেল-থুমগী লমদা শোৎথরবা নোর্থনা যু এসকী অকন-অরিং শিংবগী থৌওংদগী মশা ঙাকথোকচনবা চৎনবা য়াবা ন্যুক্লিয়র ডিটরেন্স অমা লৈহনবা পামই হায়রি। মসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ওটোক্রেটিক রেজিমনা মিলিটরিজমবু মসিগী নেস্নেল আইদিওলোজিগী মরুওইবা অমা ওইহনখি।

ট্রম্পনা নোর্থকী লীদর কিম জোং-উনবু 'রোকেট মেন' গা পাংখকনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং মহাক মশা মথন্তা শিজনবগী মিসন অমদা লৈরিবনি হায়খি।

মদুগী মতুং নোংমা লৈরগা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা নোর্থকা ডাইলোগ চথবা হায়বসি চৎনবা য়াররোই হায়না যু এনদা ফোঙদোকখি। কম্মেন্টশিং অসিনা নোর্থকী অমৎতা ঙাইরবা অচৌবা মীচং অমসুং লল্লোন-ইতিক্কী পার্টনর চাইনাবু নুংঙাইহন্দবা য়াই হায়রি। নোর্থ কোরিয়াগী ৱাথোক অসি লোইশিন্নবগী মতাংদা বৈজিংনা মরী লৈনবশিং ৱারী শানবা হৌগদবনি হায়দুনা লাকখি।

# মেক্সিকানশিংনা য়ুহা হাবদা ফুমখিবা মহৈরোয় নুপীমচা ১ য়াওনা মীওই কয়া কন্নবা হোৎনখ্রে



মেক্সিকো সিটি, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী) :

চহী ৩০ রোমগী মনুংদা মেক্সিকোদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী শাথীরবা য়ুহা হাবা থোকখিবদগী লৈবাক অসিগী ময়াই থংবা শরুক্তা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নিংখাইরবা স্কুল অমগী অকায়-অতোই মরক্তগী চহী ১২ গী নুপীমচা অমা অমসুং অতৈ হিংহৌবা মীওইশিং কন্নবা হোৎনখি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপগী নুংথিলদা মেক্সিকো সিটিগী খা-নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ১৫০ (মাইল ৯০) রোম লাপ্পা মফমদা থোকখিবা মেগনিট্যুদ ৭.১ য়ৌবা অকনবা য়ুহা হাবা অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৩৭ শিখ্রে। কুমজা ১৯৮৫ দা থোকখিবা মীওই লীশিং কয়া শিহনখিবা য়ুহা হাবা অমগী মতুং চহী ৩২ লৈরগা খ্বাইদগী নৌবা য়ুহা হাবা অসি থোক্লিবনি।

ব্রোদকাষ্টর টেলিভিসাগী মতুং ইন্না রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফ্রীদা সোফিয়া কৌই হায়না মশক খঙবা ঙমখিবা অকায়-অতোই মরক্তা লৈরিবা নুপীমচাদুগা পাউ ফাওনবা ঙমখি। মহাক্না অতোপ্পা মহৈরোয় অনীসু মহাক্কী মনাক নক্না লৈ তৌইগুম্বসুং মখোয় হিংলিব্রা হায়বদুদি মহাক খঙদে হায়না ফোঙদোকখি।

রেস্ক্যুঅরশিংনা মদুগী মমাঙদা অকায়-অতোই মরক্তগী খূৎ অমা থিঙ্গৎলকপা উখি অমসুং মহাক হিংলিবরা হায়না হংবদা নুপীমচাদুনা মহাক্কী খূৎশাশিং লেঙলকখি হায়না টেলিভিসানা ফোঙদোকখি।

নুপীমচাদুগী মপূং ফাবা মমিং মীয়ামদা ফোঙদোকখিদে, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী ইমুংনা মহাকপু থৱায় ৱানা ঙাইখি। এনরিক রেবসামেন স্কুলদগী মহৈরোয় অঙাং ২১ অমসুং মপূং-মরৈ ফারবা মীওই মরিগী হকচাংশিং রিকোভর তৌখ্রে হায়বা নুপীমচাদুগী ইমুংনা খঙখি। ওজা অমা অমসুং মহৈরোয় অনীনা অকায়-অতোই মরক্তগী টেক্স মেসেজশিং থারকখি হায়না রেস্ক্যু টিমশিংনা ফোঙদোরকপদগী মখোয়গী অঙাংশিংসু হিংলম্বা য়াই হায়না মখোয় অমসুং অতৈ মমা-মপা কয়ানা থাজনখি।

রেস্ক্যুঅরশিংনা তপ্না থবক তৌখি। অকায়-অতোয়শিংদু মখা তানা নিংখাইহন্দনবা হায়দুনা মখোয়না উগী স্কাফোল্ডিং শাখি অমসুং অকায়-অতোই অমসুং বিল্ডিংগী মচেৎ-মরাং মরক্তুদা অঙাংদু য়ৌগদবা লম্বী অমা শেম্নবা নৎত্রগা ফংনবা হোৎনখি। মেক্সিকোগী সেন্ট্রেল ভেলি অপূম্বদা উবা রেস্ক্যু সীনশিংগুম্না য়ূম অকায়-অতোই মরক্তা নৎত্রগা মখাদা অহিংবা মী লৈবগী খুদম ফংলবদি হেভি ইক্বিপমেন্ট শীজিন্নরোই হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

মী কনবগী ওপরেসন হৌখিবা পূং ১৪ রোম ফাজিনখিবগা লোয়ননা অকনবা তুপী উপ্পা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা কেমেরা মমাঙদা নিংখাইবা লেপত্রিবা স্কুলদুগী লেমহৌরিবশিংগী শরুক খরা ঙাক্লৌ পীনবা য়াম্না থুনা বীমশিং অমসুং য়োৎলিশিং পুশিল্লকপা চঙগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঐখোয়দা অঙাং খরদি কনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ৱাংনা লৈ হায়না চহী ৩ দগী ১৪ ফাওবগী অঙাংশিং তম্বা অকায়-অতোই নংলবা স্কুলদা চৎথরিবা থিব-হুম্বগী থবক্তা শরুক য়ারিবা দেভিদ পোরাস কৌবা ভোলন্টীয়র অমনা হায়খি।

# রোহিংয়া ক্রাইসিস : রখাইন তম্না তেংবাং পুবা হী অমা থীংখ্রে



য়াঙ্গোন, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারগী ঈরাং লৈবা নোরদর্ন রখাইন ষ্টেটতা ঈরাং হৌবা বুধিষ্ট কাঙবু অমা তানখাইনবা হোৎনবদা পুলিসনা ৱার্নিং ওইনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখ্রে হায়না রিপোর্ট কয়ানা ফোঙদোকপা রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না, তেংবাংগী পোৎলমশিং পুরকপা হী অমা বুধিষ্ট কাঙবু অদুনা থীলুবদগী পুলিসনা নোংমৈ কাপখিবনি।

হী অদু মীশি-মীনাগী অকনবা ঈরাং লৈবা অৱাং থংবা লমদম পাংলকখিবনি।

লমদম অদুদা হৌখিবা অকনবা মিলিটরি কেম্পেইন অমদা রোহিংয়া মুস্লিম লীশিং কয়া অদুনা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেন্নখি।

ঈরাং তৌনবা হোৎনরিবা মীওই কাঙবু অদুনা হী অদুদা পেট্রোল বোমশিং লংশিনখি অমসুং পুলিসকী মায়কৈদগীসু থবক থুনা পায়খৎতুনা ঈরাং হৌবশিংদুবু ফাখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

বুধিষ্ট কাঙবু অদুনা তেংবাংগী পোৎশকশিং অদু রোহিংয়া খক্তগীনি হায়না খনখি হায়না ওফিসল অমনা হায়খি।

ম্যান্মারদগী বোর্দর লাল্লগা বাংলাদেশতা চেনখিবা অমসুং রখাইনদা লৈরিবা রোহিংয়া অনীমক য়াম্না থুনা মতেং পীবা চঙই হায়না এইদ এজেন্সীশিংনা হায়রি।

বুধিষ্টশিংনা মশিং য়াম্বা রখাইন ষ্টেটতা অয়াম্বনা মুস্লিমশিং ওইবা রোহিংয়া কাঙলূপ্না মাইনোরিটি ওইরি। কাঙলূপ অসিগী হিন্দু মশিংদি য়ামদে। ম্যান্মারনা মখোয়দা সিটিজনসিপ পীদনা লাকখিবগা লোয়ননা মখোয় লোনা য়াদনা চঙশিল্লকখিবা মাইগ্রেন্টশিংনি হায়না ফোঙদোকখি। মমাঙদসু ষ্টেট অসিদা মী মীনা য়াওবা কাঙলূপকী ঈরাং কয়া থোকখ্রবনি।

খ্বাইদগী নৌবা ক্রাইসিস অসি হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা রোহিংয়া মিলিটেন্টশিংনা পুলিস আউটপোষ্টশিংদা এটেক তৌবদগী হৌখি। এটেকশিং অদুগী পাউখুম ওইনা রোহিংয়া মুস্লিম লালহৌবশিং তকথোক্কনবা মিলিটরিনা অকনবা কেম্পেইন অমা হৌখিবগা ইরোয়ননা রোহিংয়াশিংনা বাংলাদেশতা চেনখি। হৌজিক ফাওবদা বাংলাদেশতা থুংখিবা রোহিংয়াশিংগী মায়োক্তা চথুরিবা মিলিটরি কেম্পেইন অদুবু যু এন হ্যুমেন রাইটস চীফনা টেক্সবূক্তা য়াওবা কাঙলূপ অমা মরূ ফংনা মুথৎনবা হোৎনবগী খুদমগা মান্নে হায়না ফোঙদোকখি।

বাংলাদেশতা নৌনা থুংখিবশিংগীদমক্তা চীঞ্জাক, ঈশিং অমসুং লৈফম য়াম্না থুনা ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈবদা নৎতনা রখাইনদা লৈহৌরিবশিংগীসু অসিগুম্বা পোৎশকশিংগী তঙাইফদবা লৈ হায়না এইদ এজেন্সীশিংনা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং ওথোরিটিশিংনা অথীংবা থম্বদগী অমসুং অয়াম্বা মতমদা বুধিষ্ট কম্যুনিটিগী মীওইশিংনা ইফোং ফোংনা তাথীবদগী ম্যান্মার মনুংদা ময়ূম-মকৈ থাদোক্লগা লৈহৌরিবশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়ৌহনবা হায়বসি অরোইবা নৎতে হায়না বিবিসিগী জোনা ফিসরনা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানদা পোলিটিকেল নৎত্রগা মিলিটরিগী থৌদাং লৌবগী ৱাফম ঐখোয়না য়ারোই - পাক পিএম

*ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী) :*

*যু এন জেনরেল এসেমব্লিগী সেসনদা শরুক য়ানবা যু এসতা লৈরিবা পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খকন অববাসিনা হায়খ্রে, ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানবু শেল-থুমগী লমদা মতেং পাংবদা মহাক্কী লৈবাক্না কমপ্লেন্ট অমৎতা তৌরোই তৌইগুম্বসুং অফঘানিষ্টানদা ইন্দিয়ানা মিলিটরি নৎত্রগা পোলিটিকেল থৌদাং লৌবগী ৱাফমদি মহাক্কী লৈবাক্না য়ারোই।*

*লাননা ফিভম থীনা শোকহল্লবা লৈবাক অদুদা পীছ অমসুং মরা চেৎপা ফিভম লাকহনবদা ন্যু দিল্লিবু অহেনবা থৌদাং লৌহনবগী ৱাফম য়াওরিবা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হন্দক্তা লাউথোকখিবা অফঘান পোলিসিদা রিয়েক্ট তৌরদুনা অববাসিনা হায়খি, অফঘানিষ্টানদা ইন্দিয়ানা লৌগদবা পোলিটিকেল নৎত্রগা মিলিটরি থৌদাংদি জিরোনি হায়না পাকিস্টাননা লৌই।*

*দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা থাদা মহাক্কী অনৌবা অফঘান অমসুং সাউথ এসিয়া পোলিসি লাউথোক্লদুনা যু এসকী লাম্মীশিংবু মখোয়গী অকোম্বা লোৎফমশিংদা টার্গেট তৌবা টেররিষ্টশিংবু চঙজফম পীবগীদমক্তা পাকিস্টানবু কন্না চৈ-থাংখি।*

*যু এসকী প্রসিদেন্ট অসিনা যু এসনা অফঘানিষ্টানদা হোৎনরিবা নৎত্রগা পায়খৎলিবা থবকশিংদা মরুওইনা শেল-থুমগী তেংবাং অমসুং চাওখৎ-থৌরাংগী লমদা মতেং হেন্না পাংনবা ইন্দিয়াদা অপীল তৌখি।*

*অফঘানিষ্টানদা ইন্দিয়ানা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা মহাক্কী মীৎয়েং করি লৈবগে হায়না হংবদা পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, 'ঐখোয়না অফঘানিষ্টানদা ইন্দিয়ানা পোলিটিকেল নৎত্রগা মিলিটরিগী থৌদাং লৌরকপা য়াবগী মওং অমৎতা উদে। অসিগুম্বা ফিভম অমা লাকপনা (ইন্দিয়াগী মিলিটরি অমসুং পোলিটিকেল রোল) ফিভম হেন্না লুশিনহনগনি অমসুং করিমৎতা সোল্ব তৌবা ঙম্লোই হায়না মহাক্না থাজে। মরম অদুনা মখোয়না শেল-থুমগী লমদা মতেং পাংগে হায়রবদি মখোয়গী অপাম্বনি তৌইগুম্বসুং মসি নৎতবদা ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানদা পোলিটিকেল নৎত্রগা মিলিটরি থৌদাং লৌরকপদা ঐখোয়না য়ারোই নৎত্রগা অসিগুম্বা থৌদাং লৌরকপা য়াবগী মওং ঐখোয়না উদে।*